লৈবাক্কীদমক কখোকখিবা হিরোশিং মীয়াম্না কাওরোই

ন্যু দেল্লী, জুলাই ২৬ (এজেন্সী): কার্গিল বিজয় দিৱসকী ২১শুবা কুমওন নুমিত্তা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ অমসুং ইন্দিয়ন মিলিটরিগী সিনিয়র ওফিসরশিংনা ন্যু দেল্লীগী নেসনল ৱার মেমোরিএলদা পাঙথোকপা থৌরমদা লৈখিদ্রবা থৌনা ফরবা লান্মীশিংদা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

কার্গিল কনফ্লিক্ট হায়নসু খঙনবা কুমজা ১৯৯৯গী ওপরেসন বিজয়দা লৈবাক অসিগীদমক্তা থৱায় কৎখিবা থৌনা ফরবা লান্মীশিংদা ইকায় খুম্নবা উৎতুনা সিংহনা লৈ কৎখি।

নেসনল ৱার মেমোরিএলদা থম্বা ভিজিটরশিংগী বূকতা ইবা মেসেজদা সিংহনা কার্গিল লানদা লৈবাক অসিগী লান্মীশিংনা উৎখিবা থৌনা নীংশিংখি অমসুং ইন্দিয়ন আর্মদ ফোর্সেসকী হিরোশিংনা মথ্বায় ফাওবা কখোক্তুনা লৈবাক্কী থৌগল তৌখিবদু লৈবাক অসিগী মীয়াম্না কৈদৌনুংদসু কাওরোই হায়খি।

বেঙ্গলদা পেগাসস হেকিংগী মতাংদা থিজিন্নবা মেম্বর অনীগী কম্মিসন শেম্লে: মমতা বেনর্জি

কোলকটা, জুলাই ২৬ (এজেন্সী): ৱেষ্ট বেঙ্গলগী তোঙান তোঙানবা মীওই কয়াগী মোবাইল ফোনশিং ইলিগেল ওইবা মওংদা হেকিং তৌরম্লে হায়বা রিপোর্টশিংগী মতাংদা ইনক্বারি কম্মিসন অমা শেম্লে হায়না চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা সেন্টরগী বি জে পি গভর্ণমেন্টপু শীংনরদুনা লাউথোকখ্রে।

মেম্বর অনীগী কম্মিসন শেম্বগী ৱাফম নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুংথিলদা পাঙথোকপা অখন্নবা কেবিনেট মীফমদা এপ্রুভ তৌখি।

খোঙথাং অদু খঙহল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ইলিগেল ওইবা মওংদা ৱেষ্ট বেঙ্গল ষ্টেটকী তোঙান তোঙানবা মীওই কয়াগী মোবাইল ফোনশিং হেকিং, মোনিটরিং তৌবা, লোন্না সর্ভিলেন্স তৌবা, রেকোর্দিংনচিংবশিং ত্রেকিং তৌবগী ৱাফম অসিবু থীজিন্নবা কেবিনেটনা কম্মিসন ওফ ইনক্বারি এক্ট ১৯৫২ গী সেক্সন ৩না পীরিবা পৱার শীজিন্নদুনা কেবিনেটনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী থবক্তগী পোত্থারম্বা জজ ওনরেবল জষ্টিস এম বি লোক্কুর অমসুং কোলকটা হায় কোর্টকী থবক্তগী পোত্থারবা চীফ জষ্টিস জয়োতিমোয় বট্টাচার্য্য য়াওগদবা মেম্বর অনীগী ইনক্বারি কম্মিসন অমা শেম্বদা য়ানরে।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, জজ, জর্নেলিষ্ট, পোলিটিসিয়ন, ব্যুরোক্রেট, পুলিস- মীপূম খূদিংমক হৌজিক পেগাসসনা সর্ভিলেন্স চথদুনা লৈরে। হৌজিক পার্লিয়ামেন্ট সেসন চথরিবনি। ঐহাক্কী ৱাখলদা সুপ্রিম কোর্টকী মীৎয়েং মখাদা সেন্টরনা ৱাফম অসিবু থীজিনগনি খল্লুই। তৌইগুম্বসুং সেন্টরনা ৱাফম অসিবু করিসু লুনা খন্দবগী মথৌ উৎপা অসিনা মরম ওইদুনা ৱাফম অসিবু নীংতম্না অমসুং মীচঙ-মীখাই নাইদনা য়েংশিনগদবা ইনক্বারি কম্মিসন অমা লৈবাক অসিগী অহানবা ষ্টেট অদু ৱেষ্ট বেঙ্গল ওইরগনি।

কম্মিসনগী মেম্বর অনীদা মখোয়গী মথৌদাং থুনা লৌনবা অমসুং ইনক্বারি হৌনবা তকশিনবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, কনাগুম্বা অমনা তুমদুনা লৈবা তারবদি মহাকপু হৌদোক্লবা অমনা অহানবা খোঙথাং লৌখৎকদবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা দেল্লীদা চৎলমদাইদা লৌখৎলিবা খোঙথাং অসি য়াম্না মরু ওইহায়না পোলিটিকেল এক্সপর্টশিংনা মোত পীনরি। মমতা বেনর্জিনা দেল্লীগী খোঙচৎতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং ওপোজিনগী মরু ওইবা লুচিংবা কয়া উনগনি।

তৃনামুল কোংগ্রেসকী সিনিয়র লীদর অমনা হায়, পোলিটিকেল পার্টিশিংনা লিংজেল মান্ননা অমত্তা ওইবা খোঙফমদা লেপমিন্নদুনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ওটোক্রেটিক ওইবা থৌওং অসি থেংনমিন্নগদবনি।

ইনক্বারি কম্মিসন অমা শেল্লিবসিনা তৃনামুল কোংগ্রেসনা বি জে পি কেম্পপু হকথেংননা থেংননবা শেম শারি হায়বগী অকন্নবা ইঙ্গিৎ পীবগা লোয়ননা অতৈ পোলিটিকেল পার্টিশিংসু থোক্লক্তুনা টি এম সীগা খূৎশম্নবা য়াহনগদবা মরু ওইবা খোঙথাং অমসুনি। সী এম মমতা বেনর্জি নিংথৌকাবগী নুমিদাংদা দেল্লীদা থুংলগনি অমসুং মথংগী নুমিৎ মঙানি চুপ্পা নেসনল কেপিটেল অসিদা লৈগনি।

টুরিষ্ট গাড়ীদা নুঙজাও তাশিনবগী থৌদোক্তা মীওই মাপল শিরে



সিম্লা, জুলাই ২৬ (এজেন্সী): হিমাচল প্রদেশকী কিন্নুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সাংলা ভেলিদা লেন্দস্লাইদ থোক্তুনা চীংথক্তগী ওন্থরকপা অচৌবা নুঙ অমা টেম্পো ত্রাভেল্লর অমদা শাফু কন্না তাশিনবদগী গাড়ী অদুদা তোংবা টুরিষ্ট নিপাল অমসুং দ্রাইভর য়াওনা পূন্না মীওই মাপল শিখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎকী লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা শিখিবশিংদুগী মনুংদা ছট্টিসগরগী কোর্বা দিষ্ট্রিক্টকী দারিদগী মশাগী চহী ২৭ শুরবা নেভেল ওফিসর অমা অমসুং য়ু এসতগী লাকপা মহাক্কী মরূপ অমা, জয়পুরদগী মশাগী চহী ৩৪ শুরবী অয়ুর্বেদা দোক্টর নুপী অমা অমসুং রাজস্থানগী সিকারদগী কোইরকপা ইমুং অমগী মীওই অহুম- নহা ওইরিবা চারটর্দ একাওন্টেন্ট অমা, মহাক্কী মচল অমসুং মখোয়গী মমা য়াওরি।

নাগপুরদগী প্রতিক্সা সুনিল পাতিল কৌবা মশাগী চহী ২৭ শুরবী নুপী অমসু লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা শিখি। লকজরি মিনিবস অদুগী দ্রাইভর উম্রাব সিংহ (৪২), দেল্লীদগীনি। কুমার উলহাস ভেদপাথক কৌবা মাপলশুবা ভিক্টিম অদু করি লমদগীনো হায়বা ওফিসলশিংনা খূদক্তা হায়বা ঙমখিদে।

কিন্নুরগী পব্লিক রিলেসন্স ওফিসর নরিন্দর শর্ম্মনা ফোঙদোরকপদা, টুরিষ্টশিং অদু দেল্লীদা বেজ তৌবা ত্রাভেল এজেন্সি অমনা পুরকপনি। গাড়ীদুদা তোংলিবা মীওই ১১গী মনুংদা মীওই অনী- দেল্লীদগী শিরিল ওবরোই অমসুং মোহালিদগী নবীন ভারদ্বাজ খরা শোক্লগা হিংহৌখি।

কিন্নুরগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস এম আর রানানা হায়, ভিক্টিমশিংদুগী মনুংদা মীওই নিপালদি মিনিবসতুগী মনুংদা শিখি অমসুং মাপলশুবদুনা অনকপা হোস্পিটাল অমদা পুখৎলবা মতুংদা শিখি। শিখিবা টুরিষ্ট মপালদুগী মনুংদা মরিনা নুপীশিংনি অমসুং মঙানা নুপাশিংনি।

মশাগী চহী ৪৫ শুরবা রঞ্জিৎ সিংহ কৌবা লৌবুক্তা থবক শুরম্বা নুপা অমা থৌদোক্তুদা শোকখি। টুরিষ্টশিং অদু চিতকুলদগী সাংলাদা চৎলিবনি। মখোয়না সাংলা-বাতেশ্বরি রোদতা লাকপদা বাতেশ্বরি ভিলেজ য়ৌরদাইদা চীংদা লেন্দস্লাইদ থোক্তুনা য়াম্লবা নুঙশিং চীংমায়দা চেন্থরকখিবগা লোয়ননা লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

কিন্নুরগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর অবিদ হুশাইন সদিকনা হায়খি, নুংশা ফজনা থোকপা নোং মংবা অমসুং লৈচিল থাংবগী ফিভম লৈতবনা লেন্দস্লাইদ থোক্কনি হায়বা থাজখিদে। থৌদোক থোকফমগী মনাক্তা লৈবা থোং অমসু নুঙজাও তাশিনবদা তেকখি।

কর্নাটকাগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর খন্নবা সেন্ট্রেল ওবজর্ভরশিং থারগনি

ন্যু দেল্লী, জুলাই ২৬ (এজেন্সী): মফম থাদোকখ্রবা কর্নাটকাগী চীফ মিনিষ্টর বি এস য়েদ্দিয়ুরাপ্পাগী মহুৎ শিনবা অমা খন্ননবা বি জে পিনা নিংথৌকাবাগী নুমিদাং ফাওবগী মনুংদা সেন্ট্রেল ওবজর্ভরশিং খন্দুনা থারগনি।

পার্টি ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না, য়েদ্দিয়ুরাপ্পানা ফম থাদোক্লবা মতুংদা বি জে পিগী চীফ জে পি নাদ্দা, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ অমসুং কর্নাটকা ইন-চার্জ অরুননা পার্লিয়ামেন্ট হাওসতা মীফম পাঙথোক্তুনা কর্নাটকাগী ফিভমগী মতাংদা খন্নখি। লুচিংবশিং অমনা সেন্ট্রেল ওবজর্ভরশিং খন্ননবা লেপ্পখি।

ছোর্সশিং অসিনা মখা তানা হায়, সেন্ট্রেল ওবজর্ভরশিং নিংথৌকাবগী নুমিদাং ফাওবগী মনুংদা খনগনি। বি জে পিগী এম এল এশিংনা লেজিসলেটিভ পার্টিগী অনৌবা লুচিংবা খন্দ্রিফাওবা য়েদ্দিয়ুরাপ্পানা কর্নাটকাগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা থবক তৌগনি।

পার্টি এফ্যের্স মুন্না খঙবা পার্টিগী মীওই অমনা হায়, নাদ্দা, শাহ অমসুং সিংহনা পূং অমরোম মীফম পাঙথোকখি অমসুং কর্নাটকাগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর খন্নবা কৃপ্পা খন্নখি। ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না ষ্টেট অসিগী কাষ্ট ইক্বেসন খন্নদুনা সেন্ট্রেল লীদরশিংনা মিং খরা শোর্টলিষ্ট তৌরে। কর্নাটকাগী পোলিটিক্সতা কাষ্ট হায়বসি মরু ওইবা ফেক্টরনি। অনৌবা চীফ মিনিষ্টর খনবা মতমদা ষ্টেট অসিগী সোসল ইক্বেসনশিং খন্নগনি।

য়েদ্দিয়ুরাপ্পানা খঙহৌদনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ষ্টেট কেপিটেলদা গভর্ণর থৱারচান্দ গেহলোটতা মহাক্কী ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনখি। হৌখিবা চহী অনী চুপ্পা ষ্টেট অসিবু থৌগৎলি তৌনবা খুদোংচাবা পীবিখিবদি ঐহাকপু ইকায় খুম্নবীবনি। অসিগুম্বা খুদোংচাবা অসি পীবিগীদমক ষ্টেট অসিগী মীয়াম্বু ঐহাক্না থম্মোয় শেংনা থাগৎলি হায়না য়েদ্দিয়ুরাপ্পানা ত্বিট অমদা ফোঙদোকখি। অতোপ্পা ত্বিট অমদা মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর অমিত শাহবুসু মহাকপু শৌগৎপীখিবগীদমক থাগৎখি।

অমরোমদা, য়েদ্দিয়ুরাপ্পা চীফ মিনিষ্টরগী ফম থাদোক্লবা মতুং ঙাইহাক্কী মনুংদা ফম অসিগীদমক মহাক্না মিং অমত্তা রিক্কম্মেন্দ তৌরোই হায়না ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক, ছোর্স খরনা হায়রি মদুদি, ফম অসি মহাক্কী কেম্পকী মীওই অমবু পায়হন্নবা মহাক্না হনবা লৈতনা হোৎনগনি।

মেকেদাতু দাম শাবা য়াহন্দনবা নরেন্দ্র মোদিদা তকশিনখ্রে

চেন্নাই, জুলাই ২৬ (এজেন্সী): সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা কর্নাটকাদা মেকেদাতু দাম শাবগী অয়াবা পীদনবা এ আই এ দি এম কেগী দেলিগেসন অমনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা তকশিনখ্রে হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং এ আই এ দি এম কেগী জে ইন্ট কোওর্দিনেটর কে পালানিস্বামিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

টামিল নাদু অসি ঈশিং তাঙবা ষ্টেট ওইবনা অথুবা মতমদা গোদাবরি-কাবেরি লিঙ্কিং প্রোজেক্ট পায়খৎনবা দেলিগেসন অদুনা মোদিদা হায়জখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কোওর্দিনেটর ও পানীরসেলভম অমসুং জোইন্ট কোওর্দিনেটর কে পালানিস্বামি অমসুং পার্টিগী লুচিংবশিং য়াওবা এ আই এ দি এম কেগী দেলিগেসন অমনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মোদিগা উনখি।

মীফম অদু লোইরবা মতুংদা পাউ-মীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা পালানিস্বামিনা হায়খি, হন্দক্তা লোইশিনখিবা এসেমব্লি মীখলদা কেম্পেন তৌখিবগীদমক পার্টিনা মোদিবু থাগৎলি। মসিগা লোয়ননা কাবেরি তুরেলদা মেকেদাতু দাম শারবদি টামিল নাদুগী দেল্টা রিজন লৈকংলা ওইহনগদবনা কর্নাটকাদা দাম শাবগী অয়াবা পীদনবা মোদিদা হায়জখি।

শ্রীলঙ্গান নেভিনা টামিল নাদুগী লৌমীশিংদা তোয়না এটেক তৌরে হায়না তক্লগা লোয়ননা এটেকশিং অদু লেপহন্নবা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎপীনবা মোদিদা হায়জখি।

লোট্টরি টিকেটশিং য়োনবা য়াহন্নবগী থৌরাং গভর্ণমেন্টতা লৈতে হায়বা টামিল নাদু ফাইনান্স মিনিষ্টর পি টি আর পালানিভেল থিয়াগরাজনগী ৱাফম পালানিস্বামিনা তরাম্না ওকখি।

গভর্ণরনা সেন্টরদগী মতেং নীখ্রে

পনাজি, জুলাই ২৬ (এজেন্সী): গোৱাদা ঈশিং-ঈচাও চাওনা থোক্তুনা লুপা ক্রোর ৫০০ রোমগী চাংদা অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিবু মতেং পাংবীনবা গভর্ণর পি এস শ্রীধারন পিল্লাইনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা সেন্টরদা আপীল তৌখ্রে।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা পিল্লাইনা হায়খি, হৌখিবা চয়োল অনী অসিদা নোং কন্না চুবদগী য়ুম ৫০০ অমাঙ-অতা থোকখ্রে।

নুমিৎ খরনি নোং কন্না চুবগা লোয়ননা ঈশিং ঈমায় পাথোক্লবা দামশিংদগী হাদোরকপা ঈশিংনা গোৱাগী মফম কয়া অমসুং তালুক কয়াদা ঈচাও থোক্লে। গভর্ণমেন্ট ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না, য়ুম ৫০০০ হেন্না মাঙ-তাক্লে অমসুং লোক্রিবা মহৈ-মরোং কয়া মাঙ-তাক্লে।

ঈশিং ঈচাওনা ষ্টেট অসিদা মাঙহল্লিবসি লুপা ক্রোর ৫০০ রোমগী চাং ওইগনি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ভিক্টিমশিং অমসুং গোৱাগী মীয়ামদা মীনুংশি উৎপীদুনা লাক্লি। গভর্ণমেন্টনা অৱাবা তারবা ইমুংশিংদা রিলীফ পীনবগী খোঙথাংশিং লৌখৎলি।

মরক অসিদা, লুরবা তানফম অসি য়েংবীদুনা ঈচাওনা শোকহল্লবা গোৱাগী মীয়াম্বু মতেং পাংবীনবা ঐহাক্না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা হায়জরি হায়না পিল্লাইনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

Location	Cases	Recovered	Deaths
Maharashtra	62,60,000+6,843	60,40,000+5,212	1,32,000+123
Kerala	32,70,000+17,466	31,10,000+15,247	16,035+66
Karnataka	28,90,000+1,001	28,30,000+1,465	36,374+22
Tamil Nadu	25,50,000+1,808	24,90,000+2,447	33,911+22
Andhra Pradesh	19,50,000+2,252	19,20,000+2,440	13,256+15
Uttar Pradesh	17,10,000+3	16,80,000+66	22,750+1
West Bengal	15,20,000+806	14,90,000+892	18,073+9
Delhi	14,40,000+66	14,10,000+72	25,043+2
Chhattisgarh	10,00,000+130	9,85,000+176	13,516+5
Odisha	9,68,000+1,833	9,45,000+2,108	5,512+67
Rajasthan	9,54,000+20	9,44,000+35	8,952
Gujarat	8,25,000+30	8,14,000+42	10,076
Madhya Pradesh	7,92,000+12	7,81,000+13	10,512
Haryana	7,70,000+22	7,59,000+45	9,619+2
Bihar	7,24,000+81	7,14,000+107	9,639+2
Telangana	6,41,000+494	6,28,000+710	3,784+4
Punjab	5,99,000+53	5,82,000+117	16,266+8
Assam	5,58,000+1,054	5,38,000+1,501	5,136+22
Jharkhand	3,47,000+28	3,42,000+50	5,124
Uttarakhand	3,42,000+51	3,34,000+25	7,359
Jammu and Kashmir	3,21,000+166	3,15,000+197	4,374
Himachal Pradesh	2,05,000+44	2,01,000+133	3,514+1
Goa	1,70,000+75	1,66,000+149	3,132+6
Puducherry	1,20,000+104	1,18,000+102	1,789+2
Manipur	**92,667+1,207**	**80608+1037**	**1478+9**
Tripura	76,539+224	72,132+490	744+5
Chandigarh	61,927+5	61,085+4	809
Meghalaya	61,194+597	55,163+288	1,024+10
Arunachal Pradesh	45,867+164	41,385+360	216+3
Mizoram	33,452+2,307	23,572+334	137+2
Nagaland	27,308+68	25,481+91	542+4
Sikkim	25,160+337	21,813+169	330
Ladakh	20,300+4	20,026+5	207
Lakshadweep	10,129+2	10,004+7	49
Andaman and Nicobar Islands	7,529+4	7,385+3	129

ওপোজিসন লীদরশিং অমুবা ফেশ মাস্ক উপ্লগা লাকখ্রে

পটনা, জুলাই ২৬ (এজেন্সী): বিহার এসেমব্লিগী নোংজু মীফমগী অহানবা নুমিৎ ওইরিবা নিংথৌকাবদা ওপোজিসন লীদরশিং অমুবা ফেশ মাস্কশিং উপ্লগা এসেমব্লিদা থুংলখি।

আর জে দিগী লুচিংবা অমা ওইরিবা মানেরগী এম এল এ ভাই ভিরেন্দ্রনা হায়, চহী অসিগী মার্চ ২৩দা এসেমব্লিদা লেজিসলেটরশিংবু ফাখিবদা চেন্নবা নিতিশ কুমার গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা উৎপা সিম্বোলিক প্রোটেষ্ট ওইনা অমুবা ফেশ মাস্কশিং উপ্পনি।

ভিরেন্দ্রনা মখা তানা হায়, ঐখোয়গী লুচিংবা তেজাসৱি য়াদব অমসুং ওপোজিসন পার্টি পূম্নমক্কী লুচিংবশিংনা ইস্যু অসিগী মতাংদা নিতিশ কুমারনা হাউসতা এপোলোজাইজ তৌনবা দিমান্দ তৌখি। নিতিশ কুমারগী দিরেক্সন্দা লেজিসলেটিরশিংদা শাথিরবা থৌওং অদু চথখিবনি।

থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইরিবদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কন্সটেবল অনীখক সস্পেন্দ তৌখি। লেজিসলেটর ২৩ হেনবদা খূৎ থাখিবা থৌদোক অদুদা শুপ্পগী কন্সটেবল অনীদমক চেন্নবা হায়বসি ওইথোক্তবা ৱাফম্নি। পটনা পুলিসকী সিনিয়র ওফিসরশিং কন্নবা হোৎনবদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কন্সটেবল অনী সস্পেন্দ তৌখিবনি।

বিহার এসেমব্লিগী নোংজু মীফম নিংথৌকাবগী অয়ূক পূং ১১দা হৌখি। মীফম অসি জুলাই ৩০ ফাওবা চথগনি। লেজিসলেটরশিংদা খূৎ থাবগী ৱাফম অসিদা নত্তনা ওপোজিসন পার্টিশিংনা অনইমপ্লোয়মেন্ট, ঈশিং-ঈচাও, কম্পিটিটিভ ইগজামশিংদা অরান-অহুই তৌখিবনচিংবা অতৈ ইস্যু কয়া পুখৎকনি।

অশাবা গন লাইসেন্সশিং পায়রম্বগা মরী লৈননা মীওই কয়া বূক তৌখ্রে

জম্মু, জুলাই ২৬ (এজেন্সী): জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী রিয়াসি দিষ্ট্রিক্তা শেমজিন-শাজিনবা নোংমৈগী লাইসেন্সশিং পায়রম্বগী-দমক নিংথৌকাবা নুমিত্তা পুলিসনা মিলিটেন্টশিংগী ওভরগ্রাওন্দ ৱার্কর (ও জি দব্লিয়ু) অমা অমসুং অতৈ ক্রিমিনেল কয়া বূক তৌখ্রে।

পুলিস ছোর্সশিংনা হায়, রিংয়াদি দিষ্ট্রিক্টকী রেকোর্দ লৈরিবা শাথিরবা ক্রিমিনেলশিংনা মশা ঙাকথোক্লবগী মিংদা চহী কয়া আশাবা নোংমৈ লাইসেন্সশিং পায়রকখি। মখোয়গা লোয়ননা ও জি দব্লিয়ু অমা বূক তৌরে।

ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না, মখোয়দা মশা ঙাকথোকচনবা নোংমৈ থম্বা মথৌ তাগদবা মওংদা কিহনবা অমত্তা লৈতে হায়বসি ফিল্ড রিপোর্টশিংদগী খঙলে। মখোয়দা কিহনবগী মহুত্তা লোনা য়াবা মওংদা মখোয়না নোংমৈ পায়শিন্দুনা খুন্নাইদা অকিবা পোকহল্লি।

ক্রিমিনেলশিং অসিনা এরিয়াদুগী ঈংনা-চিক্না লৈজবা পাম্বা মীওইশিংবু খূৎলায়শিং অসি শীজিন্নদুনা হরাসমেন্ট পীরে অমসুং মীচম কয়া কিহল্লে হায়বসি পুলিসনা খঙলকখি। কিহন্দুনা মখোয়না মীয়ামদগী শেল তানখি। রিয়াসি দিষ্ট্রিক্টকী পুলিসনা ক্রিমিনেলশিং অসিবু মশক খঙদোক্তুনা অনৌবা ফিল্ড রিপোর্টশিং শেমখি অমসুং মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটতা মখোয়গী মায়োক্তা মতিক চাবা ক্রিমিনেল এক্সন লৌখৎনবা রিক্কম্মেন্দ তৌখি।

মিলিটেন্টশিংগী ও জি দব্লিয়ু অমা ওইনা থবক তৌবা মোহম্মদ অশঘর অপোকপা মোহম্মদ অসিন কৌবা মাহোরেদা লৈবা মীওই অমনসু কুমজা ১৯৮৪ দা উধম্পুর দিষ্ট্রিক্টকী আশাবা নোংমৈ লাইসেন্স পায়বা ঙমখি। হৌজিক পুলিসনা মহাক্কী খূৎলায় ফাজিনবগা লোয়ননা মাহোরে পুলিস ষ্টেসনদা মহাক্কী মায়োক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌরে।

পুলিসনা মশক খঙলবা অতৈ ক্রিমিনেলাশিংগী মনুংদা মোহম্মদ ইস্মাইল, রতন লাল, গুলসন কুমার এলিয়স শিভ জয়োতি, জমন শাহ অমসুং রমন কুমার য়াওরি। মখোয় রিয়াসিদা লৈবা ঙাক্তনি। পনবা য়াবদি, সী বি আইনা জে এন্দ কেগী গন লাইসেন্স রেকেট অমা থীজিনবা হৌখ্রবনি।

হু চেনবা য়ু থক্লুবদগী মীওই অহুম শিরে

ভোপাল, জুলাই ২৬ (এজেন্সী): মধ্য প্রদেশকী মান্দসুর দিষ্ট্রিক্তা হু চেনবা য়ু থক্লুবদগী মীওই অহুম শিখিবগা লোয়ননা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা এক্সাইজ সব-ইন্সপেক্টর সস্পেন্দ তৌখ্রে।

লোনা য়াদবা য়ু য়োল্লন্লিবা মরু ওইবা এক্যুজ অদুগী য়ূম জে সী বি মেছিন অমা শীজিন্নরগা থুগায়খ্রে।

ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না, থাংজ নুমিৎতা খকরাই ভিলেজগী মীওই কয়া য়ু থকখি অমসুং নুমিৎসিগী অথেংবা অমসুং নোংমাইজিং নুমিৎতা মীওই অহুম শিখি। থৌদোক অদু খঙনরকপগা লোয়ননা ষ্টেট এক্সাইজ মিনিষ্টর জগদিশ দেবদানা মরাল লৈবশিংগী মায়োক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎলগনি হায়না লাউথোকখি।

হু চেল্লবা য়ু য়োল্লন্লিবা এক্যুজ য়োগেন্দ্রগী য়ূম দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট মনোজ পুস্পাগী ইন্সট্রক্সনদা জে সী বি মেছিন অম শীজিন্নরগা থুগায়খি। থৌদোক অদুগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা ইনক্বারি অমসু ওর্দর তৌখি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর কমল নাথনা শিবরাজ সিংহ চৌহান গভর্ণমেন্টপু চৈরেরদুনা হায়খি, শিবরাজ সিংহ চৌহান গভর্ণমেন্টকী মখাদা উজাইন, মোরেনা অমসুং ভিন্দ-গ্বালিয়রগী মতুংদা হন্দক্তা মান্সুর দিষ্ট্রিক্টকী খাক্রাই ভিলেজদা লোনা য়াদবা মওংদা শুংবা হু চেনবা য়ু থক্লুবদগী মীওই অহুম শিবা অমসুং অতৈ মীওই কয়ানা ফিভম থিনা নাবগী পাউ পাক-শন্না ফোঙনরে। মসি ষ্টেট অসিগী এক্সাইজ মিনিষ্টরগী কন্সটিট্যুএন্সিদা হৌজিক হৌজিক থোক্লিবা থৌদোক অমনি।

[illegible]/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নান্থবা, পোন্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোন্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোন্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/7035/15/7-15/9

HL-P/6347/23,24,25,26,27

TEMPLE OF LEARNING (TOL)
Kha-Naorem Leikai, Canchipur, M.U. Road.
REGISTRATION FOR ADMISSION
FOR
CLASS - XI (SCIENCE, ARTS, COMMERCE Stream)
Eligibility : X Passed/Result awaiting
Mode of Selection : Online Entrance Test.
(Date to be notified later)
Last date of Registration : 28th July 2021
Registration & Admission (Offline & Online)
Details, Log on to School website
www.templeoflearning-edu.org
Email: tolschool2007@gmail.com
Contact : 7005062644, 9612470424, 7005155523 & 9774772821
50% Discount on Admission Fee due to Covid 19 Pandemic.

HL-P/6347/23,24,25,26,27

TEMPLE OF LEARNING DEGREE COLLEGE (TOLDC)
Kha-Naorem Leikai, Canchipur (Liwa Road), MU Road.
Affiliated to Manipur University (MU)
(A Central University)
Registration & Admission Open for 2021-22
FOR
Degree Courses (3 years) in
1. B. B. A. 2. B.C.A.
3. B.S.C. 4. B.A.
Eligibility : XII passed/Result awaiting
Online & Offline Registration & Admission
Details, Log on to School website
www.templeoflearning-edu.org
Email: tolschool2007@gmail.com
Contact : 7005062644, 9612470424, 7005155523 & 9774772821